# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, APRIL 15, 2018 **PAGE 7**




কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী কেজি ৬২ গী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী সাক্ষি মালিক



নুপাগী কেজি ৮৬ কী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা ইন্দিয়াগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা সোমভির কাদিয়ান

## কম্মনৱেল্থ গেমসকী ১০নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা বোক্সিংদা গোল্ড ৩, রেষ্টলিংদা ২ লোয়নননা সুটিং এঠলেটিক্স অমসুং টেবল টেন্নিসতা গোল্ড অমমম ফংদুনা গোল্ড ৮ ফংখ্রে, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ গা হাপচিন্দুনা অপুনবা মেডল ৫৯ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈরি



মনিকা বত্র (টেবল টেন্নিস)



নিরজ চোপ্রা (জেবলিন)




সঞ্জিব রাজপুট (সুটিং)




বিকাস কৃষন (বোক্সিং)



গৌরব সোলানকি (বোক্সিং)



ভিনেস ফোগট (রেষ্টলিং)



সুমিত মালিক (রেষ্টলিং)

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ১৪ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা চথরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ঙসি ইন্দিয়ানা পুন্না গোল্ড মেডল ৮ (বোক্সিং–৩, রেষ্টলিং–২, সুটিং–১, এঠলেটিক্স–১, টেবল টেন্নিস–১) ফংখ্রে। লোয়নননা সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৪ ফংদুনা ঙসি ১০নিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা পুন্না মেডল ১৭ হাপচিন্দুনা অপুনবা মেডল ৫৯ শুদুনা মেডল টেল্লিদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী মথংদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

গোল্ড মেডল ফংখিবশিংগী মনুংদা বোক্সিংগী নুপীগী লাইট ফ্লাই ৱেঠ কেটেগোরি (কেজি ৪৮) দা ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেডলালিষ্ট অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙমখ্রবী এমসি মেরি কোম য়াওরি।

মহাক্না ঙসি ফাইনেলদা নোদর্ন আয়রলেন্দগী কৃষ্টিনা ও' হরাবু ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা বোক্সিংগী গোল্ড মেডল অদু নুপাগী ফ্লাই ৱেঠ কেটেগোরি (কেজি ৫২) দা গৌরভ সোলানকিনা নোদর্ন আয়রলেন্দগী বোক্সর ব্রেন্দন অর্বিনবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড লৌখিবনি।

নুপীগী মিডল ৱেঠ (কেজি ৭৫) কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী বিকাস কৃষননা কেমরুনগী বোক্সর ৱিলফ্রেদ সেংৱিবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল অদু য়াম্না কোম্না ফংখি।

টেবল টেন্নিসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মনিকা বত্রনা সিঙ্গাপোরগী য়ু মেংগুইবু ষ্ট্রেট গেম ৪ দা ১১–৭, ১১–৬, ১১–২, ১১–৭ দা থোইদুনা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী পুৱারীদা মশান্না অসিগী নুপীগী গোল্ড মেডল অদু ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াই ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা গেমস অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী সিঙ্গাপোরগী ফেং টিয়ান ৱৈবু মনিকা বত্রনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা গেম ৪–৩ (১২–১০, ৫–১১, ১১–৮, ৫–১১, ৫–১১, ১১–৯, ১৩–১১) দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী সিঙ্গাপোরগী অতোপ্পা শান্নরোই য়ু মেংগুইনা কানাদাগী শান্নরোই ঝাং মোবু ১১–৭, ১১–৮, ৯–১১, ১১–৮, ১১–৫ দা থোইরম্বনি।

ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরিবা নিরজ চোপ্রানা ঙসি নুপাগী জেবলিন থ্রো ইভেন্টতা মিটর ৮৬.৪৭ লং দুনা গোল্ড মেডল অদু অতোপ্পা কম্পিটিটর ১২ দগী য়াম্না হেন্দুনা ফংখিবনি।

মশাগী চহী ২০ দা ঙাইরিবা নিরজ চোপ্রানা অহানবা রাউন্দদা মিটর ৮৫.৫০ লংদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী হমিস পিকোকনা মিটর ৮২.৫০ দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা গ্রেনাদাবু পিটর এন্দরসননা মিটর ৮২.২০ দা লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী সঞ্জিব রাজপুটনা ঙসি শরুক য়াখিবা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী ইভেন্টতা পুন্না পোইন্ট ৪৫৪.৫ ফংলগা গোল্ড মেডল অদু ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্কী পোইন্ট অদুনা কম্মনৱেল্ঠ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদু কানাদাগী গ্রিগোর সিকনা পোইন্ট ৪৪৮.৪ ফংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইংলেন্দগী দিন বেলনা পোইন্ট ৪৪১.২ ফংলগা লৌখি।

নুপাগী কেজি ১২৫ গী ৱেঠ কেটেগোরিগী ফ্রি ষ্টাইলদা ইন্দিয়াগী সুমিট মালিকনা কানাদাগী রেষ্টলর কোরি জার্বিসপু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা পাকিষ্টানগী টায়ব রাজানা লৌখি।

নুপীগী কেজি ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগটনা কানাদাগী জেসিকা মেগদোনাল্ডবু মায়থিবা পীরগা গোল্ড মেডল লৌখি। কেটেগোরি অদুদা শুপ্নগী কম্পিটিটর ৪ খক লাকখিবা মরম্না ব্রোঞ্জ মেডল থমখিদে।

ইন্দিয়াগী ঙসি সিলভর মেডল ৫ ফংখিবা অদুগী মনুংদা বোক্সিংদা নুপাগী লাইট ফ্লাই ৱেঠ (কেজি ৪৯) দা অমিট পানঘাল ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী ফংখিবনি। নুপাগী লাইট ৱেঠ (কেজি ৬০) কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী মনিস কোসিকসু সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা স্কৱাসকী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র সৌরব ঘোসাল অমসুং দিপিকা পালিকর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র দোনা উর্কুহার্ট অমসুং কেমরুন পিলেগী মখুত্তা ৮–১১, ১০–১১ দা মায়থিরগা ফংহৌবনি।

ঙসি শান্নখিবা টেবল টেন্নিসকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র সরাথ অসান্টা কমাল অমসুং সাথিয়ান গনসেকরন ইংলেন্দগী পেয়র পোল দ্রিঙ্কহোল অমসুং লিয়াম পিটসফোর্দকী মখূত্তা ৫–১১, ১২–১০, ১১–৯, ৬–১১, ৬–১১ দা মায়থিদুনা সিলভর ফংখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচতা ইন্দিয়াগী হর্মিট দেসাই অমসুং সানিল সঙ্কর সেথি সিঙ্গাপোরগী কোইন পাং য়ু অমদি ইথান ও সাউফেংগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অহুমদা ১১–৫, ১১–৬, ১২–১০ দা থোইদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপাগী বোক্সিংগী কেজি ৯১ মথক্কী সুপর হেভিৱেঠ কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী সটিস কুমার ইংলেন্দগী ফ্লেজর ক্লাককী মখূত্তা ০–৫ দা ফাইনেল বাওট অদু মায়থিদুনা সিলভর ফংহৌবনি।

বেদমিন্টনগী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং সিক্কি রেদ্দি মালেসিয়াগী পেয়র চান পেং সুন অমসুং গো লিয়ু য়িংগী মখূত্তা অকনবা লম্বা তৌনরগা ১৯–২১, ১৯–২১ দা মায়থিদুনা ব্রোঞ্জ ফংখি।

রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা ঙসি ইন্দিয়াগী ব্রোঞ্জ মেডল ২ হাপচিনবা ঙমখি। নুপীগী কেজি ৬২ গী ফ্রি ষ্টাইলদা সাক্ষি মালিক অমসুং নুপাগী কেজি ৮৬ কী ফ্রি ষ্টাইলদা সোমভির কাদিয়াননি।

হোক্কিঃ–

ঙসি নুপাগী হোক্কিগী ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম ইংলেন্দগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমহৌদবনি। লোয়নননা নুপীগী কাঙলুপ্তসু ব্রোঞ্জ মেডলগী শান্নবদা ইন্দিয়াগী টিম ইংলেন্দনা পাঞ্জল ৬–০ দা থোইরগা হোক্কিদা ইন্দিয়াগী মেডল অমফাওবা ফংবা ঙমখিদে।

নুপাগী ফাইনেলদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইরগা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াবু ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল ৪–১ দা থোইরগা গোল্ড লৌখিবনি।

বেদমিন্টনঃ–

হয়েং গেমস অসিগী ১১শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা গোল্ড মেডল মেটচকীদমক লম্বা তৌনগনি। লোয়নননা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈ শান্নগদৌরি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী চিরাগ সেথি অমসুং এস রানকি রেদ্দিনা গোল্ড মেডলগীদমক ইংলেন্দগী পেয়র মার্কস এলিস অমসুং খৃষ্ট লেঙরিস লম্বা তৌনগনি।

টেবল টেন্নিসঃ–

টেবল টেন্নিসকী ওইনা মিক্স দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র অনী লম্বা তৌনগদৌরি। সরাথ কমাল অমসুং মোমা দাসনা মনিকা বত্র অমদি সাথিয়ান গনসেকরননগা লম্বা তৌনগনি।

অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসকী ব্রোঞ্জল মেডলগীদমক ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা ইংলেন্দগী সামুৱেল ৱার্করগা লম্বা তৌনরগনি।

হয়েং কম্মনৱেল্ঠ গেমস অসিগী ১১শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসতা ফংলগনি। লোয়নননা সিলভরসু শোয়দ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা কিদম্বি স্রিকান্থনা মায় পাক্লবদি ইন্দিয়াগী গোল্ড অনী অমসু হাপচিনবা ঙমগদৌরিবনি। অদুগা মিক্স দবলসকী মায়কৈদগীসু সিলভরদি শোয়দ্রে অদুবু গোল্ড ফংবগা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

স্কৱাসতা ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপ্পা অমসুং দিপিকা পালিকলনা দবলসকী সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দগী লোরা মসারো অমসুং সারা জৈনবু থোইরম্বদগী ফাইনেল য়ৌরকপনি। পুন্না হয়েং ইন্দিয়াগী মেডল টেল্লিদা অহেনবা মেডল ৬ হাপচিনবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

**Commonwealth Games 2018 Medal Tally**

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 75 | 55 | 57 | 187 |
| 2 | England | 42 | 40 | 41 | 123 |
| 3 | India | 25 | 16 | 18 | 59 |
| 4 | Canada | 15 | 39 | 27 | 81 |
| 5 | South Africa | 13 | 11 | 13 | 37 |
| 6 | New Zealand | 12 | 16 | 14 | 42 |
| 7 | Wales | 10 | 12 | 14 | 36 |
| 8 | Scotland | 9 | 13 | 21 | 43 |
| 9 | Nigeria | 9 | 8 | 6 | 23 |
| 10 | Cyprus | 8 | 1 | 5 | 14 |
| 11 | Jamaica | 7 | 9 | 10 | 26 |
| 12 | Malaysia | 5 | 5 | 11 | 21 |
| 13 | Kenya | 4 | 7 | 6 | 17 |
| 14 | Singapore | 3 | 2 | 2 | 7 |
| 15 | Botswana | 3 | 1 | 1 | 5 |
| 16 | Uganda | 3 | 0 | 2 | 5 |
| 17 | Samoa | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 18 | Trinidad and Tobago | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 19 | Northern Ireland | 1 | 7 | 4 | 12 |
| 20 | The Bahamas | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 21 | Papua New Guinea | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 22 | Pakistan | 1 | 0 | 4 | 5 |
| 23 | Fiji | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 24 | Grenada | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 25 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 25 | Guyana | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 25 | British Virgin Is. | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 25 | Saint Lucia | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 25 | Namibia | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 30 | Bangladesh | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 31 | Sri Lanka | 0 | 1 | 5 | 6 |
| 32 | Cameroon | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 33 | Dominica | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 34 | Isle of Man | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 34 | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 34 | Nauru | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 37 | Malta | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 37 | Vanuatu | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 39 | Cook Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Ghana | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Seychelles | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 39 | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |



কম্মনৱেল্থ গেমসকী মিক্স দবলসতা স্কৱাসকী সিলভর মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সৌরব ঘোসাল অমসুং দিপিকা পালিকল



টেবল টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী সিলভর ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী গনসেকরন অমদি সরাথ

## মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পেনাল্টি সুট আওটদা ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টনা ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*শিল্লং, এপ্রিল ১৪ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী ওইনা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স ফুটবোল লীগকী অনীশুবা ইদিসনগী ঙসি শিল্লংদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ক্লব ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবনা পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৫–৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

থা অসিগী ১২ দা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা এক্সত্রা টাইমদা তামিল নাদুগী সেথু এফসিবু থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা রাইজিং ষ্টুদেন্ট ফুটবোল ক্লবনা মণিপুরগী অতোপ্পা ক্লব ক্রিপ্সাবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।



ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগকী টাইটল ফংখ্রবা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকী শান্নরোইশিংনা ট্রোফি লৌবা

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ১৩ শুরকপদা হান্নগী চেম্পিয়ন ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা চত্থরকপা এটেক অমদা রোজা দেবীনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মখা তারকপা অহানবা হাল্ফকী মতম অদদা রাইজিং ষ্টুদেন্টকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। হাল্ফ লোইশিনবা ফাওবা উপায় লৈখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা পুংখায় অমরোমগী মতম হৌজিল্লকপদা রাইজিং ষ্টুদেন্টকী মায়কৈদগী সঞ্জুনা ৭১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

লেমহৌবা মতমদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নদবদগী পুংখায় অমগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা চেম্পিয়ন মশক খঙননবা হোৎনরকখি।

মিনট ১৫। ১৫ গী হাল্ফ ২ শান্নরবসু পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ফুটবোল মশান্নগী চৎন–পত্থাপকী মতুংইন্না পেনাল্টি কাওনখি।

পেনাল্টি অদুদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মন্দাকিনি দেবী, প্রামেশ্বরী দেবী, মনিসা অমসুং স্বিটি দেবীনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুগা রাইজিং ষ্টুদেন্টকী মায়কৈদগী সঞ্জু, পিয়ারি, সুপ্রিয়া,টিকিনা সমাল অমসুং সুপ্রভানা পাঞ্জল ৫ চন্দুনা ইএসয়ুবু ৫–৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌখিবনি।

## চাইনিজ তাইপে চেলেঞ্জর টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং রামকুমার থেংনগনি, দবলসতা ইন্দিয়াগী প্রজনেস অমসুং সাকেটনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*টাইপে, এপ্রিল ১৪ঃ*

য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ টাইপে ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং রামকুমার রামানাথন লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিমক্কী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুনসেরন অমসুং সাকেট মাইনেনিগী পেয়রনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা দেবিস কপ্তসু শরুক য়ারিবা য়ুকি ভাম্ব্রিনা জপানগী টাটসুমা ইটোবু সেট ২–১ দা থোইখি। অহানবা সেট জপানগী শান্নরোই টাটসুমানা ৬–৩ দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা ভাম্ব্রিনা ফজরকপদগী টাটসুমাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং সেটতা লম্বা তৌনখি।

অরোইবা সেট অদুদা শান্নরোই অনী গেম ৪–৪ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্বদগী ভাম্ব্রিনা টাটসুমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মহাক্কী সার্ভিস হোল্ড তৌদুনা ৬–৪ দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখি।



অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিদা সেট অমত্তা মায়থিদনা লাকখিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানথরননা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই গো সোদাবু ৭–৬(১১–৯), ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনসেকরন অমসুং সাকেট মাইনেনিনা চাইনিজ টাইপেগী য়ু সিয়ৌ সু অমসুং জিমি ৱাংবু ২–৬, ৬–৪, ১৪–১২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা পাও অমদা ইজিপ্ততা পাঙথোক্লিবা য়ুএস দোলর ১৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রুতুজা ভোসালে অমসুং কানিকা বৈদ্যনা বেলারসকী শ্যামানোভিস অমসুং সালিভার টালবিরবু ৭–৬ (৭–৪), ১–৬, ১০–৮ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।